# সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ৪২ শুবা এন্যুএল এথলেটিক মীট মায় পাক্না লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ ঃ

সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ৪২ শুবা এন্যুএল এথলেটিক মীট ২০১৬-১৭ ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা মায় পাক্না লোইশিনখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বর ১৪ দা সাই এন ঈ আর সীগী দিরেক্টর ফ্রান্সিস মার্ব্রিননা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখিবা এন্যুএল এথলেটিক মীট অদুগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ৪৫ আসাম রাইফলসকী বেন্দ পার্টিনা বেন্দ দিসপ্লে উৎখিবগা লোয়ননা মীট অসিদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা কেদেটশিংনা মার্চ পাষ্ট চৎখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী কেদেটশিংনা বেন্দ দিসপ্লে পাঙথোকখিবগা লোয়ননা য়াম্না নহা ওইরিবা জিম্ন াষ্টশিংনা ফজরবা পার্ফোমেন্সশিং উৎতুনা মীয়ামগী পূক্নিং শুমহৎখি। থৌরম অদুদা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল বিনে টিব্বারীনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

এন্যুএল এথলেটিক মীট লোইশিনবগী থৌরমদা প্রিন্সিপাল বিনে টিব্বারীনা মীট অসিদা শরুক য়াখিবা কেদেটশিং অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। এন্যুএল এথলেটিক মীট অদুদা টেগোর হাওসনা ওভর ওল চেম্পিয়ন তাখিবগা লোয়ননা এথলেটিক্কী ট্রোফি লৌখি।

মীট অদুদা সেনিয়র কেটগোরিদা ক্লাস টেনদা তন্নিবা সিবাজি হাওসকী কেদেট ইন্দ্রকুমারনা বেষ্ট এথলেটকী মনা ফংখি। ক্লাস নাইনগী মহৈরোয় নেটাজি হাওসকী কেদেট জয় কিষন্না জুনিয়রগী কাঙলুপ্তা বেষ্ট এথলেট তাখি। সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ক্লাস টেন, এলেভেন অমদি টুয়েল্বতা টোপ্পর ওইরকখিবশিংদসু ট্রোফি অমসুং সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# বি দব্লিয়ু এফ সুপর সেরিজ ফাইনেল পি ভি সিন্ধুনা সুং জি হয়ুনগী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে







দুবাই, দিসেম্বর ১৭ ঃ

ওলেম্পিক শিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মফম অসিদা চত্থরিবা বি দব্লিয়ু এফ ব্রর্ল্ড সুপর সেরিজ ফাইনেলগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা কোরিয়াগী সুং জি হয়ুনগী মখূৎতা গেম অহুমদা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

প্রেমিয়র ইভেন্ট অসিদা মহাক্কী অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবী সিন্ধুনা অরোইবা মরিশুবা কন্টেষ্টতা কোরিয়াগী সুং জি হয়ুনগী মখূৎতা ১৫-২১, ২১-১৮, ১৫-২১ দা মায়থীহৌখি।

সিন্ধুনা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্ট কোরিয়গী মায়োক্তা মতাং চানা এটেক তৌবা ঙমখিদে। মহাক্না পুং ১ গা মিনিট ১৬ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীখি। সুং জি হয়ুননা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেল মেচতা ব্রর্ল্ডনম্বর ব্রান টাই টজু য়িংগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

সিন্ধুনা গেম হেক হৌখিবগা সুংগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অহানবা গেমগী ব্রিক ফাওবদা সিন্ধুনা ৯-১১ দা লৈখি। অদুবু অথুবদা সুংনা পোইন্ট ৫ লৌবা ঙমখিদুনা ১৯-১৪ দা মাঙজিল থাখি অমদি গেম অদু ২১-১৫ দা য়াম্না লায়না মায় পাকখি।

সিন্ধুনা রিও গেমসকী লমন খুন্বা ওইনা কারোলিনা মারিনবু ঙরাং মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি। সিন্ধুনা অনীশুবা গেমদা নিংথিনা খূৎ হল্লকখিদুনা মশক থোক্লবা ওভরহেদ স্মাসশিং তৌখিদুনা মাঙজিল থানা লৈখি।

সিন্ধুনা ওপোনেন্টকা অওক অথোম তৌনদুনা মতম খরা শান্নখি অমদি মহাক্ন া ১১-১০ দা অনীশুবা গেমগী ব্রিক ফাওবদা মাঙজিল থানা লৈখি। মহাক্না গেম অদু ১৫-১৩ দা অমুক হন্না মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ২১-১৮ দা মায় পাকখি। অদুবু দিসাইদরদা সিন্ধুনা নেম্না শান্নরকখিদুনা সুংগী মায়োক্তা অয়াম্বা পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ১৫-২১ দা মায়থীখি।

# পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লবনা গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদ গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা এ এল টি ফেদরেসন কপকী ব্রিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ ঃ

অনাল লেলরিব্রেল তাঙপী (এ এল টি) না শিন্দুনা চকপীকারোংগী নুংপান ভিলেজগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরকপা অহুমশুবা এ এল টি ফেদরেসন কপ ২০১৬ ঙরাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লবনা ব্রিন্নর ওইখ্রে।

য়ুথ ক্লব ১৯ না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা এ এল টি ফেদরেসন কপ অদুগী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লবনা গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদ গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রিন্নর ওইখিবনি।

ব্রিন্নর ওইখ্রবা পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লবনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৩০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২০ গী শেলগী মনা ফংখি।

এ এল টি ফেদরেসন কপ অদুদা গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদকী আর দি থুংগুইনা ফেদরেসন কপ অসিগী বেষ্ট প্লেয়র তাখি। পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লবকী এস টি চিরিঙম্না বেষ্ট গোল কিপরগী মনা ফংখি। লোয়ননা তৌপোকপী য়ুথ ক্লবকী ঐচ বি মিশন্না টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ স্কোররগী মনা ফংখি।

চত্থরকখিবা এ এল টি ফেদরেসন কপ অদুগী নুপীগী বোল্লিবোল ফাইনেলদা চাকপিকারোং খুপীনা নুংপান গ্রীনলেন্দবু মায়থীবা পীদুনা ব্রিন্নর ওইখি।

এ এল টি ফেদরেসন অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফুটবোলগী ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লব অমসুং গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ব্রানখি।

মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা পঞ্চায় স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল ক্লবকী শান্নরোয় টি এস সুরজনা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি। গোল অমা শোত্থনা লৈরিবা গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা লৈজবী মথৌনা ফুদোক্তুনা গোল হন্দোক্নবা শান্নরবসু গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী অরেম্বদা তাখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স-অপ তাখ্রবা গ্রীন হিলস য়ুনাইটেদকী কেলেমরিং মেচকী ৭০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

## আনন্দ মেমোরিএল বোদি বিল্ডিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ ঃ

মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন (মাবা) গী মিৎয়েং মখাদা আনন্দ মেমোরিএল জিমনা শিন্দুনা হয়েং শগোলবন্দ থাংজম লৈরক কম্যুনিতি হোলদা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল আনন্দ মেমোরিএল ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ পাঙথোক্লগনি।

হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা আনন্দ মেমোরিএল ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ব্রার্দ নম্বর ৬ কী কোর্পোরেটর তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎ, মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশনগী এদভাইজর এ কে ইবোতোম্বী, শেমগৎ শাগৎপা অপূনবা নহারোল (সান) গী প্রসিদেন্ট মুতুম চন্দ্রকুমার, মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশনগী এদভাইজর এল গৌরমনি, নেপ্রা মেঞ্জোর পুখ্রি মপান ব্রিমেন ভলন্টরি এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট হিদংময়ূম ওংবী সনাহনবীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

## মিনি বোইজ বোল্লিবোল টিম ওক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ ঃ মধ্য প্রদেশকী মুরেনাদা লৈবা বি আর অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা নবেম্বর ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২৫ শুবা মিনি বোইজ নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা রন্নর্স-অপ তারকখ্রবা মণিপুর মিনি বোইজ বোল্লিবোল টিম ওকপগী থৌরম অমা হয়েং পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি এন জি ইনাওচাগী থাংমৈবন্দ লাইরেহঞ্জবা লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা পাঙথোক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অসিদা শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্নবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা এসোসিএশনগী মেম্বরশিংনসু মতম চানা লাক্কদবনি হায়রি।

## করাটে শান্নরোয় ৮ না শরুক য়ারি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ ঃ

ঙসিদগী ভুটানগী কোনুং থিম্ফুদা চত্থবা হৌখ্রবা ভুটান ইন্টরনেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর অমেচর করাটে দো এসোসিএশনগী শান্নরোয় ৮ না ইন্দিয়ন টিমদা শরুক য়ারি।

নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না ইন্দিয়াগী মীওই ২০ না শরুক য়াখিবদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৮ য়াওখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপীগী সেনিয়র কুমিটেদা সোইবম বিন্দেশ্বরি, সেনিয়র কাটা অমসুং কুমিতেদ দব্লিয়ু বেবিশ্বরি অমসুং সেনিয়র কুমিটেদা বিনাসখি পুখ্রিয়োনবমনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা সব জুনিয়র কুমিটেদা ব্রাই সুরজকুমার, কেদেট কাটা অমসুং কুমিটেদা লনচেনবা লুব্রাং, জুনিয়র কাটা অমসুং কুমিটেদা এল প্রেমজিৎ, সেনিয়র কাটা অমসুং কুমিটেদা সী ঐচ রাজু অমদি সেনিয়র কুমিটেদা খোইরোম ঙানবনি।

## টোপ সিফাই কপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ ঃ

সোসিএল ব্রেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) টোপ সিফাইনা শিন্দুনা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল ফাইভ মেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা থা অসিগী ২০ দগী টোপ সিফাইদা লৈবা থৌদাম লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ব্রিন্নরদা লুপা লিশীং ২০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১৫ গী শেলগী মনা পীগনি। বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা লুপা লিশীং ৫, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট স্কোরর তাবা শান্নরোয়শিংদা লুপা লিশীং ২/২ গী শেলগী মনা পীগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা কিলোমিটর ২০ গী ব্রাংমদা লাকপা টিমশিংদি এদমিসন ফি চাদা ৫০ হন্থগনি। মসিগী মথক্তা ব্রিন্নর অমসুং রন্নর তারকপা টিমশিং অদুদা মথংগী টুর্নামেন্টতা অমুক শরুক য়ারকপদা এদমিসন ফি লৌরোই হায়রি।

HL-P/10752/1/12-30/12

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৩৩

1. Nawab of Nazafgarh হায়রগা কনাবু খঙনবগে?
2. মহাক ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্নি। মহাক অমেরিকাগী টেলিভিজন প্রোগ্রাম 'Celebrity duet' হায়না খঙনবা অদুদা Chees Marin, Lee Thomson অমসুং জেসি মেক্কারনীনচিংবগা ঈশৈ শকমিন্নৈ। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?
3. ২৮ শুবা ব্রর্ল্ড ক্রোস কন্ত্রি রেস পোর্টুগলদা পাঙথোকখিবদা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা লমজেল্লোয় অদু কনানো?
4. ওলেম্পিক্কী ট্রেক এন্দ ফিল্ডদা মেদল ফংবা ঙন্বী অহানবা এসিয়ান নুপী অদু কনানো?
5. ওলেম্পিক অহুমদা সনাগী মেদল ফংখিবা নুপা অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ২৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৩২ গী পাউখুমশিং

(১) নুপীগী ভোল্লিবোল (২) পোইরৈ খোঙজিল হায় স্কুল, য়াইরিপোক (৩) ফুটবোল (৪) কুমজা ১৯৮০ (৫) গোরেশ

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৩২ কী পাউখুম অহুমখক্তমক চুম্না পীবিরকখিবশিংদি

(১) তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়

*(২) রোলিনসন খুন্দ্রাকপম, ঘড়ি মখা লৈকায়, এয়রপোর্ট রোদ*

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৩২ গী ব্রিন্নর

*রোলিনসন খুন্দ্রাকপম, ঘড়ি মখা লৈকায়, এয়রপোর্ট রোড।*

(দ্রোদা ব্রিন্নর ওইখ্রবা)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৩১ অমসুং ৩২ গী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

**দিসেম্বর ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

# সুনিল ছেত্রিনা হান্নগী ফুটবোল ষ্টারগী মচানুপী সোনমগা পুন্সি লৈপুন শেন্নগনি





ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৭ ঃ

চৎলিবা সিজন অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসপার্সনশিংগী পুন্সি লৈপুন শেন্বা সিজন ওইরি। য়ুভরাজ সিংহ অমদি ইশান্ট শর্ম্মনা পুন্সি লৈপুন শেমখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্তেন সুনিল ছেত্রিনা মহাক্কী মতম কুইনগী গার্ল ফ্রেন্দ সোনম ভত্তচার্যাগা মথং চহীদা পুন্সি লৈপুন শেম্নবা লেপখ্রে।

সোনম অসি হান্নগী ইন্দিয়ন ফুটবোল্লর সুব্রোটো ভত্তাচর্যাগী মচানুপীনি। ছেত্রিনা শগোলশেল নুমিৎতা কোলকটাদা লাক্তুনা হৌজিক ইন্দিয়ন ফুটবোল কেপ্তেনগী মেন্টর ওইরিবা সোনমগী অপোকপগা পুন্সি লৈপুনগী মরমদা ব্রারী শান্নদুনা লুহোংনবগী কনফার্ম তৌখি।

হান্নগী মোহন বগানগী কেপ্তেন সুব্রোটো ভত্তাচর্যানা ছেত্রি অমদি সোনমগী অপাম্বা অদুবু অয়াবা পীরদুনা লাক্লিবা মথং চহীগী ফেব্রুব্রারী-মার্চথাদা লুহোংবা পাম্বগী মত ফোঙদোকখি।

সুব্রোটো ভত্তাচর্যানা হায়খি, সুনিলনা লাক্তুনা ঐখোয়গা উনরে। মখোয় অনী মরী লৈনজৈ অমদি মখোয় অনীগী তুংগী পুন্সিবু হরাও তরাম্না লৈমিন্নগনি হায়না ঐনা খল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।










HL-B/3534/10/12-09/01









HL-B/3503/29/11-28/12